# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-07-2024)**

**অৰাংবৌ (এল)ঃ** ৰাটর রিছোর্সেস অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ট মন্ত্রি-অৰাংবৌ ন্যুমাইনা হায়রি-ঈচাওগী অৰাবা নংলবা মীওইশিংবু শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপনা সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎপা থবক ওইরি।

ইম্ফালদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-ইম্ফাল তুরেলগী অয়াম্বা শরুক খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্কী মথক্তা চেনবদগী মীওই লিশিং অনিরোম শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। লেমহৌরিবা অতৈ মীওইশিংসু মখা তানা থংদোকবা হোৎনরি। মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা লোকেল ভোলুন্টিয়ারশিং, ক্লবশিং, মরী লৈনবা এম.এল.এশিং, ষ্টেট ফোর্স, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং, এন.দি.আর.এফ অমসুং এস.দি.আর.এফকী মীওইশিংনা পুন্না থবক তৌমীন্নরি।

মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা তোয়না শাথিবা মওংদা ঈচাও কয়া থোক্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি, চিংদা উমং কোকথোক্তুনা পোপী পান্থী থাবদগীনি। মসিগী মথক্তা তুরেল মপানশিংদা লম খোপচিনবনসু তুরেলগী ঈচেলদা অপনবা কয়া থোকহল্লি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা চহি অমদা স্কার কিলোমিটর ৪২০ গী চাংদা উমং কোকথোক্লি। থোং অসি মখা তানা অসুম্মক চথরবদি লাক্কদৌরিবা চহি ১৫ রোমগী মনুংদদি হেন্না শাথিবা ফিভম অমা ওইরকপা য়াইহায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**নোনে (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী মনিপুরগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকপা অমদি চিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্লি।

নোং অসিনা নোনে জিলাগী মনুং চনবা নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খুমজি পার্ট টু মপাদা চিং নিংখায়বদগী লম্বী ফাওনদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা খুমজি অমসুং লুখম্বীগী নাৎ-য়েৎতা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরে। কন্সত্রক্সন কম্পানিনা চিং নিংখায়রিবা মফম অদু শেংদোকবা হোৎনরি হায়রি।

**হেলথ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা রাজ্যগী হেলথ দাইরেক্তোরেটনা লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা কন্ট্রোল রুম অমা, রুম নম্বর ১২১ দা হাংদোক্লে। ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা অনা অয়েক য়াওরকপা মীওইশিংনা মোবাইল নম্বরশিং-700-572-7796 অমসুং 700-574-3775 তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না দাইরেক্তোরেট অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

**হোলিডে (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসিগী য়েংলগা ঙসিসু মখা তানা সরকারগী ওফিসশিং ছুতি ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

জি.এ.দিগী দিপ্যুতি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-বেঙ্কশিং, ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি এল.আই.সিসু ঙসি ছুতি ওইগনি। অদুমওইনমক, মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্টশিং-হোম, পুলিস, ফয়ার সাভির্সেস, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ট, পৱার, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার, পি.ঐচ.ই, ৱাটর রিছোর্সেস, পি.ডব্লিয়ু.ডি, জি.এ.দি, কাফ এন্দ পি.দি., এম.আই, ফোরেষ্ট অমসুং এল.দি.এনচিংবগী ওইনদি ছুতি লৈরোই।

**রেসলিং (এল)ঃ** উত্তরাখন্দগী উধমনাগরদা থা অসিগী মঙা অমসুং তরেৎতা পাঙথোক্কদবা অন্দর সভেন্টিন ফ্রি স্তাইল, রেকোরোমান স্তাইল অমসুং নুপীগী

নেসনেল রেসলিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী রেস্লর ১৬ না শরুক য়াগনি।

**রেসলিং(এল)ঃ** রেসলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড রেসলিং লেবেল ৱান কোচশিংগী ওইবা কোর্স অমা জ্লাই অমদি আগষ্ট থাদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মনিপুর রেসলিং এসোসিয়েসনদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**আরটিআই ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-আর.টি.আইগা মরী লৈননা থারকপা ৱাকৎশিং লোয়শিনবগা চাং চহি খুদিংগী হেনগৎলক্লি।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা সেন্ত্রেল ইনর্ফোমেসন কম্মিসনদা পাঙথোকখিবা হন্না য়েংশিনবগী মীফমদা মন্ত্রিনা হায়-আর.টি.আইগা মরী লৈননা ইং ২০১৯-২০ দা থাংগৎলকপা ৱাকৎ লিশিং ৩৫,৭১৮ পন্দুনা লৈরম্বা অদু ২০২১-২২ দদি লিশিং ২৯,২১৩ দা হন্থহনবা ঙমখি। মখা তানা ২০২৩-২৪ দা ৱাকৎ লিশিং ২৩,০৮৭ পনদুনা লৈরম্বা অদু ইং ২০২৪-২৫ দা লিশিং ২২,৬৬৬ তা হন্থহনবা ঙমখি। পন্দুনা লৈরম্বা ৱাকৎশিংগী চাং হন্থহল্লকপা ঙম্বগীদমক মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মখা তানা পন্দুনা লৈরম্বা ৱাকৎশিং য়ারিবমখৈ থুনা লোয়শিন্নবসু মন্ত্রিনা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীখি।

**সোরেনঃ** ঝরখন্দ মুফতি মোর্চা (জে.এম.এম) গী লুচিংবা হেমন্ত সোরেননা ঙরাং ঝরখন্দদা সরকার শেমনবা দাবী তৌখ্রে। শ্রী সোরেননা রাজ্যপাল-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগা উন্নদুনা মহাকপু জে.এম.এম, কংগ্রেস অমসুং আর.জে.দিগী এম.এল.এশিংনা শৌগৎলি হায়না চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মহাকপু মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌননবগী মতম খঙহনবীনবসু শ্রী সোরেননা রাজ্যপালদা তকশিনখি। মদুগী মমাংদা, চম্পাই সোরেন মুখ্য মন্ত্রি

ফমদগী হান্ননা রিজাইন্দ তৌখ্রবনি। রাজ্যপালদা পীশিনবা ফম থাদোকপগী চেরোলদা শ্রী চম্পানা হায়-হেমন্ত সোরেনবু জে.এম.এম, কংগ্রেস অমসুং আর.জে.দিগী এম.এল.এশিংগী লুচিংবা ওইনা খল্লে। শ্রী হেমন্ত সোরেন জানুবারী ৩১ দা মণি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ফাবদগী মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখিবনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেটোরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৰাং নোংপোক ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদা মখা তানা নোং কন্না চুরবা য়াই। অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম খরদদি কা হেন্না কন্না নোং চুরবা য়াই।

লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিং-কেরলা, লক্সদ্বিপ, করনাতক্কী সমুদ্র খোংবান, গৱা, গুজরাট, মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্র, অন্ধ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবান, তামিল নাদু অমসুং তেলঙ্গানানচিংবা মফমশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদা নোং কন্না চুরবা য়াই।

**জিকা ঃ** মহারাস্ত্রদা জিকা ভাইরস শন্দোরকপগী পাউ ফংবদগী কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মন্ত্রালয়না রাজ্যশিংনা ঙাকা চৎকদবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

মীরোনবী মমাশিংবু লায়েংবা মতমদা জিকা ভাইরসনা শোকহনব্রা হায়বদু মরি লৈনবা হেলথ ফেসিলিতিশিংদা চেকশিন্না য়েংনবা এদভাইজরি অদুদা পল্লি। হেলথ ফেসিলিটিশিং অমদি হোস্পিতালশিংদা নোদেল ওফিসার অমমম হাপ্তুনা মফমশিং অদুগী অকোইবদা য়ারিবমখৈ কাং লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎহন্নবসু এদভাইজরি অদুদা পল্লি।

**এনসিসিঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল রাজ্য মন্ত্রি-সঞ্জয় সেথনা ঙরাং লদাগতা লৈবা মাউন্ট কাং য়াদস-টু কাগদবা এন.সি.সি. নুপা অমসুং নুপী কেদেদশিংগী

এক্সপিদিসন টিম অমা ন্যু দিল্লিদগী লমথাখ্রে। লমথাবগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা হায়-নোং চিংগী ফিভম ফত্তবা মতম অসিদা এন.সি.সি. কেদেদশিংনা থৌনা লৈনা এক্সপিদিসন অসি পাঙথোকবা হোৎনরিবা অসি থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি। প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম-এন.সি.সি. কেদেদশিংনা পাঙথোক্লিবা ত্রেন্নিংশিং অসিনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা থেংনরক্কদবা খুদোংচাদবশিং মায়োকবা ঙমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি হায়খিবা অদু কেদেদশিংনা নীংশিংবগা লোয়ননা মখা তানা হোৎননবসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। চিং কাগদৌরিবা এন.সি.সি. কেদেদশিংগী টিম অসিদা নুপা অমসুং নুপীমচা পুন্না কেদেদ ২৭ না শরুক য়ারি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-কিরন**

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা-রাজ্য সভাদা প্রধান মন্ত্রিনা মনিপুরগী মতাংদা ৱা ঙাংলকখিবা, ঈচাও ঙাকথোকবা মাস্তর প্লান শেমবা খন্নরি হায়বা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইগী ৱাফম অমদি ঈচাও নংলবা মফমশিংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা-মতম কুইরবগী তুংদা প্রাইম মিনিস্তরনা মনিপুরগী মতাংদা চিন কাংথোরকখ্রে, হিংশাগী থৌদোক হন্থরক্লে, শান্তি লাক্লগনি হায়বা প্রধান মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। রাজ্য সভাদা প্রধান মন্ত্রিনা মনিপুরগী মতাংদা ৱা ঙাংলকপগী পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা অহানবা অমদি অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মনিপুরগী অৱাবশিং কুপশিন্নবা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মিৎতা উৎ চাইবনি হায়না এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ৱারোল অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-ঈচাওনা শোকহল্লবশিংদা লৈঙাকা পাংবা য়াবা মতেংশিং

পাংলি হায়বা চাফ মিনিস্তরগী ৱাফমগা লোয়ননা মনিপুরদা ঈচাওনা মীওই অনি লৈখিদ্রে। এন.দি.আর.এফকী টিম অনি থুংলরে হায়বা ৱাটর রিছোর্স মিনিস্তর-অৱাংবৌ ন্যুমাইগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরদা হিংশা হন্থরে হায়না মোদিনা ফোংদোকখিবা অদু কংগ্রেসনা য়াখিদ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ঈচাও ঙাকথোকবা মাস্তর প্লান শেমবা খন্নরি হায়বা ৱাটর রিছোর্স মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

মনিপুর ন্যুজতা-চীফ মিনিস্তরনা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখ্রে, এন.দি.আর.এফকী টিম অনি থুংলরে, মীওই ১১৫ রেস্ক্যু তৌরে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। জেলদা লৈবা কুকি বোন্দি অমা গুৱাহাতিদা লায়েংনবা সুপ্রিম কোর্টতা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

মনিপুর মেলদা-মনিপুরদা হিংশাগী থৌদোকশিং হন্থরক্লে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য সভাদা থমখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-ইম্ফালগী অয়াম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। নোং চুবগী চাং হন্থরক্লি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-তুরেলগী ঈচেল থিংবদা প্লাষ্টিক বটলশিংনা অচৌবা মরম ওইরি হায়বা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দিবলপমেন্ট ওফিসারগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-তুরেল লৌনম্বাল কায়বদগী শিংজমৈ, ককৱা ঈচাও মায়োকরে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য সভাদা মনিপুরদা শান্তি হনজিন্নবা হোৎনরি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিয়ু মেল অহানবা হেদলাইন তৌরি। মনিপুরগী ঈচাওদা মতেং পাংনবা এন.দি.আর.এফকী অহেনবা টিম ইম্ফালদা থুংলরে

হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-লম্বী শেমজিনবীদবগী মায়োক্তা এস.পি. রোড কমিতিনা লৈঙাক্কী মথক্তা কেস ফাইল তৌগদৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।